# বি জে পিনা ওপোজিসন্না ঙাঙবা ৱা তাদবা লাইবক থিবনিঃ সিব সেনা

এস এন এস

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ঃ সেন্টর অমসুং ষ্টেটতা সাসন তৌরিবা বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা অচৌবা ইশ্যুশিং দা ওপোজিসনগী ৱা তাদবা অসি লাইবক থিবনি। হৌজিক লৈরিবা মণিপুরগী ইশ্যুশিং অসি মণিপুরগী বি জে পি গভর্ণমেন্ট মথন্তখক্তনা থেংনবা ঙম্মগদ্রা হায়না সিব সেনা মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট এম তোম্বীনা হংখ্রে।

ঙসি বাবুপরাদা লৈবা সিব সেনা মণিপুর ষ্টেটকী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, মণিপুরগী মৈ হৌরবা ফিভম অসিদা গভর্ণমেন্ট অসিনা ঙসি ফাওবদা ওল পোলিটিকেল পার্টিগী মীফম কৌরগা তান্নবগী ৱাফম লৈতে। বি জে পিনা ওপোজিসন হায়বসি লৈহন্দনবা হোৎনরিবা অসি ওইথোক্লেহৈদবা ৱাফমনি।

হৌজিক লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অসিনা ওপোজিসনগী পাউতাক লৌনিংদে। ওপোজিসনা হায়বা ৱা তাবা পামদে। মসিদা হংনিংলিবদি হৌজিক লৈরিবা ইশ্যুশিং অসি বি জে পি খক্তনা থেংনবা ঙম্মগনি হায়না লৌৱা হংখি।

মহাক্না হায়, লমদম অসিগী মীয়ামগী অপাম্বা অসিদা গভর্ণমেন্টনা করি তৌবা য়াই, করি করি থবক পায়খৎপা য়াবগে হায়বদু ওপোজিসনগা তান্নবা মথৌ তারক্কনি।

হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদা লমদম অসিগী মহৈরোই কন্নবগীদমক ভাইস চান্সেলর অসি খুদক্তা লৌথোক্লবা হোৎনগদবনি।

মহাক্না হায়, হৌজিক ষ্টেট অসিদা মায়োক্নরিবা তোঙান তোঙানবা ইশ্যুশিং অসি পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্তুনা খন্নহন্নবগীদমক লাক্লিবা থাংজ নুমিৎকী নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা পার্টিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট উধব থাক্রে উন্নবগীদমক হয়েং ইম্ফাল থাদোক্লগনি।

উন্নবা অদুদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট, সিতিজেনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল, ২০১৬ অমসুং ইন্দো ম্যানমার ঙমখৈগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎকনি হায়না লাওথোকখিবগী মতুংইন্না টিম অমা হৌখিবা জুলাই ১৪দা চৎখ্রবা মতুংদা হয়েং মহাক চৎকদৌরিবনি হায়খি।

এম য়ুগী ভাইস চান্সেলর লৌথোক্লবগী খোঙজং নুমিৎ ৫০ শুরে। মসিনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী মখাদা লৈবা কলেজ ৮২কী মহৈরোইশিংগী পরিক্ষা হায়দোক্তবা, মহৈরোইশিংগী কেরিয়ার মাঙলকপা য়াবা অমসুং মহৈরোইশিংগী হকশিং মক্তুনা লাক্লি।

হৌজিক ফাওবদা সেন্টর অমসুং ষ্টেটনা খোঙজেল য়াংশিন্না থবক তৌবগী মমি তাদে। হৌজিক গভর্ণমেন্টনা পান্দেগী মথক্তা ইনক্কারি তৌনবা শেমখিবা কম্মিতি এম য়ু কম্যুনিতিনা য়াদে।

গভর্ণমেন্ট হায়বসি মীয়াম্না শেম্বনি। মীয়াম্না য়ারক্তবা মতমদা গভর্ণমেন্ট লৈরোই। মীয়াম্না য়াদ্রবা ভি সি অসিনা মীয়াম্না য়াদ্রে, সিভিল সোসাইতিশিংনা য়াদে, লোকেল মীয়াম্না য়াদ্রে খঙলবা ফাওবা সেন্টর অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা কনখক্তুনা থম্বা অসি লাইবক থিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, দেসামগী সেক্রেটরি জেনরেল সিটল ওইনাম শোকপগা মরী লৈননা পুলিস সস্পেন্দ তৌবা অসি মখোয়না তৌরুবা মরাল অদুগী দন্দি ফংবনি।

লাইরিক তমজগে, মতিক চাদবা ভি সি লৌথোকউ হায়বা দিমান্দগা লোয়ননা খোঙজং চংশিনবদা নিংথিনা কন্ট্রোল তৌবগী মহুত্তা মহৈরোইশিংদা শা যণ ফুবগুম্না উতুপ ৱাতুপ পায়রগা কনবা অসি লাইবক থিবনি হায়খি।

খোঙজং চঙশিনবা নুপীমচা মহৈরোইশিংবু নুপা পুলিসনা ফুচৈবা তৌবা অসি বৃটিশকী লিচৎ শাজৎনি। মীয়াম্না য়াদ্রবা প্রজাশিংনা য়াদ্রবা ভি সি অসি কনখক্তুনা থম্বদগী মীয়ামগী ইহৌ অসি লাকপনি। মরম অসিনা গভর্ণমেন্টনা মতম চানা থবক লৌখৎহন্নিংই হায়খি।

**লমায় ১ গী মখা**

# পুলিস কম্মান্দোশিং খূৎলাই থাদোক্তুনা মথৌ...

তুংদা মণিপুর পুলিসকী দিজি এল এম খৌতে, আইজিপি কাইলুন লুফেন, দিআইজি জয়েন্তা অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট এস পি জোগেসচন্দ্রা হাওবিজমনা মিনুথোংগী কম্মান্দো কমপ্লেক্সতা লাক্লগা খূৎলাই থাদোকপগী খোঙজং চঙশিল্লিবা কম্মান্দো পার্সোনেলশিংগা পুং ২ রোম ৱারী শান্নদুনা থেম্বদগী কম্মান্দো পার্সোনেলশিং অদু মহৌশাগুম মথৌ তৌবা হৌখি।

প্রেসনা ফংবগী পাউগী মতুংইন্নদি কম্মান্দো পার্সোনেলশিং ঙসি দ্যুটি তৌবা হৌরুরবনিনা ঙসিগী মখা চত্থরগা হয়েং অয়ুক অমুক পুল্লগা খূৎলাই থাদোকপগী খোঙজং অদু মখা চত্থবা নৎত্রগা চত্থবগী ৱারেপ লৌরবা য়াই হায়রি।

পনবা য়াবদি থাসিগী ১৬তা দেসামনা চঙশিল্লকখিবা খোঙজংদা বিজেপি ওফিস মমাঙদা পুলিস পার্সোনেল অমনা দেসামগী জেনরেল সেক্রেটরি সিতল ওইনাম টাটা মখাদা তাশিনবদা তকখিবা অমদি থাসিগী ১৭তা সিএম বঙ্গলো তম্না থোমজিল্লকখিবা দেসামগী থৌমীশিংদা কাহেনবা মওংদা ফু-চৈবা তৌখিবদা চেন্নবা পুলিস পার্সোনেলশিং সস্পেন্দ তৌগদবনি হায়দুনা দেসাম অমদি অতৈ লূপ কয়ানা খোঙজং চঙশিন্দুনা লৈরিবনি।

# পুলিসকী এসআই ১, হেদ কন্সটেবল ১ সস্পেন্দ...

চীফ মিনিষ্টরনা হায়, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভাইস চান্সেলরগী মথক্তা মুসু, মুটা অমসুং মুসানা শিরিবা মরালশিং অসিগী মতাংদা থিজিন্নবা মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিসোর্চ দিভলপমেন্টনা শেল্লকখিবা ফেক ফাইন্দিং কম্মিতিদা এম য়ু কম্যুনিতিনা মতেং পাঙলোই হায়না ফেক্ট ফাইন্দিং কম্মিতি অদু রিজেক্ট তৌরকখিবা অদু মখোয়গী ওইবা ৱাফমনি।

মসিদা গভর্ণমেন্টকী ওইনদি লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলি। মুসু অমসুং মুটানা দিমান্দ তৌবগী মতুংইন্না থবক্তগী পোত্থারবা চীফ জষ্টিস অমনা লুচিংবা ইনক্কারি কম্মিতি অমা শেম্নবগী ৱাফম মিনিষ্ট্রিদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী মীহুৎ কাওবু অমা চত্তুনা তক্লরুরবা মতুংদা ফেক্ট ফাইন্দিং কম্মিতি অমা শেমখ্রে।

কম্মিতি অসিনা করিগুম্বা ভি সি অসি মরাল লৈরে হায়রবদি মশানা মহাক চৎচখিবা তাবনি। অদুবু করিগুম্বা থিজিন হুমজিনবা অমত্তা তৌদনা করম তৌনা মীওই অমা মরাল লৈরে হায়না সস্পেন্দ তৌগদৌরিবনো হংখি।

হৌজিক লৈরিবা এম য়ুগী ৱাফম অসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা কন্না হোৎনদুনা কেবিনেট মীফম কয়া পাঙথোক্তুনা খন্নবা লৈখ্রে। লোয়ননা কেবিনেট মীফম অদুনা লৌখিবা ৱারেপশিংসু সেন্টরগী মিনিষ্ট্রিদা থাদুনা মুসু অমসুং মুটানা তাল্লিবা দিমান্দশিং অসি থবক্তা ওন্থোকপীনবা তক্নদুনা লাকপনি।

ঙরাংমকসু গভর্ণরগা নুমিদাং রাজভবন্দা উন্নদুনা ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা পুখত্তুনা খন্নখি। গভর্ণরগী মায়কৈদগীসু ষ্টেট অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টতা চে ইদুনা খঙহল্লম্বা লৈরমখি। করিগুম্বা অচুম্বা মায়ওন খরদি লাকপা য়াই হায়না লৌই হায়খি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অসি সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি অমা ওইবনা ষ্টেটনা তৌনিংলবসু তৌবা য়াদবা কয়া লৈ। অদুবু ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী মুসু অমসুং মুটানা পুখৎলকপা ৱাফমশিং অসি সেন্টরদা প্রেসর পীদুনা লাক্লি।

মহৈরোইশিংগী দিমান্দ অমা ওইরিবা ভি সিগী মথক্তা থিজিনদ্রিঙৈদো মহাক হান্না সস্পেন্দ তৌগদবনি হায়বা ৱাফম অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, সস্পেন্দ হান্না তৌবা তৌদবা অদুদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ঙমদে। ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীসু মরী লৈনবা ওঠোরিতিশিংদা তক্নদুনা লাক্লিবনি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ইন্সটিট্যুসন অমা ওইবনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতসু খূৎ থাবা য়াদবা লৈ। অদুবু মুসু অমসুং মুটাগী দিমান্দশিং অদু সেন্টরদা প্রেসর পীদুনা লাক্লি হায়খি।

ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা দেসামগী প্রসিদেন্ট এস অকাশনা হায়, জুলাই ১৬কী থৌদোক অদুদা চেন্নবা এস আই অমগা কন্সটেবল অমগা সস্পেন্দ তৌরে হায়না চীফ মিনিষ্টরনা হায়রবসু মদু ওফিসিয়েল ওর্দর অমা থোক্ত্রিবা ফাওবদি থাজবা ঙম্লোই।

চীফ মিনিষ্টরনা অনাবা হংবা লাকপদা ইকাই খুম্নে, অদুবু পুলিস পার্সোনেলশিং অদু সস্পেন্দ নৎত্রগা দিসমিস তৌবগী ওর্দর অমা থোক্ত্রিবা ফাওবদি দেসামনা পেনবা লৈরোই হায়খি।

হৌজিক চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি গভর্ণমেন্টনা মুসু, মুটা অমসুং মুসাগী অপাম্বগী মায়োক্তা চঙশিনবা তারবদি খোঙজংদা অহোংবা থোইনা লৈরোই হায়খি।

ভি সি সসপেন্দ তৌবা অসি এম ঐচ আর দিনা লৌখৎলক্কদবা খোঙথাং অমা ওইবনা ষ্টেট অসিগী মাঙজবা অমসুং ষ্টেটকী ওইনা অচৌবা ইশ্যু অমা লাক্লবনিনা ষ্টেট অসিগী এম এল এ মিনিষ্টরশিং পুন্না ৱাথোক অসিগী মতাংদা তকশিনবীয়ু হায়বনি।

ষ্টেট অসিদা পাল্লিবা বি জে পিনা সেন্টরদা সাসন তৌরিবা বি জে পি গভর্ণমেন্টতা টিং থোক্লা ৱাফম অমা ফাওবা হায়বা ঙমদবা করিগীনো হংখি। পান্দম ফংদ্রিবা ফাওবা খোঙজং চঙশিনগনি।

অমরোমদা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী সুপরিনতেন্দেন্ট ওফ পুলিস জোগেসচন্দ্র হাউবিজমনা তোঙান তোঙান্না থোকখিবা ওর্দর অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসকী এস আই গুনচন্দ্র চনম অমসুং হেদ কন্সটেবল সিদার্ঠ থোকচোমবু মখোয়গী মথৌদা কা হেনবা অরানবা থবকশিং চত্থবগীদমক মখোয়গী মথক্তা দিপার্টমেন্টল প্রোসিদিংশিং চত্থরি। মরম অসিনা অসাম পুলিস মেন্যুএল পার্ট থ্রিগী রুল ৬৬ শুবগী মখাদা এস আই গুনচন্দ্র চনম অমসুং হেদ কন্সতেবল সিদার্ঠ থোকচোমবু খুদক্তগী সস্পেন্দ তৌরে হায়না পল্লি।

সস্পেন্দ তৌরিঙৈগী মতম অসিদা মখোয়গী হেদক্বার্টর অসি রিজার্ভ লাইন ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ওইগনি। লোয়ননা এস পিগী অয়াবা য়াওদনা হেদক্বার্টর থাদোকপা য়ারোই হায়নসু ওদ্রর অদুদা পল্লি।

# মণিপুর ষ্টেট এৱার্দ ফোর লিটরেচর ২০১৭-১৮ ...

মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুরী লোলগী অইবশিংখক্তা নত্তনা লমদম অসিদা লৈরিবা ফুরুপ ৩৪ অসিগী লোলশিং অসি চাউখৎহন্নবা হোৎনদবা য়াদে। লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিং অসি ঐখোয়গী ইচিল ইনাও ঙাক্তনি।

লিটরেচরদা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী লোনয়ান পুবগী মহুত্তা ঐখোয়গী ইচিল ইনাও ওইরিবা লৈমিন্নরিবা জাতি ফুরুপশিংগী লোলদগী লৌবা য়াবা ৱাহৈশিং য়াওরবদি মদু লৌবনা জাতি কাঙলুপ মশেলগী মরক্তা নুংশিনবা অমসুং চান্নবা পুরকপা ঙমগনি হায়খি।

ঙসি পীরিবা ষ্টেট এৱার্দ অসি পীনবা হোৎনবদা মমাঙগী মতমদা ইশ্যু খরা থোকখিবা লৈখি। মতম অমদা গভর্ণমেন্ট মসি পায়খৎনবা হোৎনবদা ফাইল প্রোসেস তৌরবা মতুংদা সেক্রেটরিয়েটতগী ফাইল মাঙখিবগী ৱাফম লৈ। অদুবু হৌজিক হেল্থ মিনিষ্টর ওইরিবা এল জয়ন্তকুমারনা এদুকেসন মিনিষ্টর ওইরিঙৈগী মতমদা কন্না হোৎনবীরমদুনা এৱার্দ অসি ইং ২০০৮-০৯ দগী লুপা লাক্ষ অমগী শেনফমগা লোয়ননা পীবা হৌরকখিবনি। হৌজিক্তি মসিগী শেনফম অসি লুপা লাক্ষ ৩ য়ৌরে। মসিমক অইবশিংগী পূক্নিং থৌগৎপীবনি হায়খি।

থৌরম অদুদা ষ্টেট এৱার্দ ফংলবা অরিবম চিত্রেশ্বর শর্ম্মনা হায়, মণিপুরগুম্বা লাইরিক ফোঙবীনবা মীতাংবা লমদম অসিদা হৌজিক অনৌবা য়াওন অমা ওইনা লৈরক্লিবা মীতৈ ময়েক অমসুং বেঙ্গলি স্ক্রিপ্ট অনীমক্তা লাইরিকশিং নমদবা য়ারক্তবা অসিনা অইবশিংদা অচৌবা অৱাবা অমা মায়োক্নহল্লি। ঙসিগী নুমিৎ অসি পুন্সিগী খ্বাইদগী নুংঙাইবা মীকুপশিংগী মনুংদা অমা ওই হায়খি।

থৌরম মপু ওইখিবা দাইরেক্টোরেট ওফ লেঙ্গুয়েজ প্লানিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসনগী দাইরেক্টর ডা. এল মহাবীরনা হায়, মণিপুর গভর্ণমেন্টনা পীরিবা এৱার্দ অসি চহি ৫দা পুথোকখিবা লাইরিকশিংগী মনুংদগী খনগৎলগা পীবা এৱার্দনি।

এৱার্দ অসিদা নত্তনা দাইরেক্টোরেট অসিনা লমদম অসিগী অইবশিংদা লাইফটাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ পীনবা থৌরাং লৌখৎলে। মসিগীদমক চৎন কাঙলোননচীংবা শেমদুনা থবক পায়খৎপা লোইরে। মসিগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ এপ্রুভমেন্ট ফংলে।

মসিগী মতাংদা ফাইনান্সনা এপ্রুভেল পীরক্লবসু মদু কেবিনেটকী অয়াবা অমতংদি লৌনবা হায়রকপদগী কেবিনেটতা থাখ্রে। হৌজিক ফাওবা মদু খন্নবীদনা লৈরি।

দাইরেক্টোরেট অসিনা অইবশিংগীদমক পেন্সন স্কিম হৌদোক্লবা থৌরাং তৌরি। হৌজিক মণিপুরী লোল অসি ক্লাসিকেল লেঙ্গুয়েজগী থাক্তা শেমগৎনবা প্রপোজেল তৌরি।

লমদম অসিগীসু অরিবা তেক্স অমখক পায়রগা ইগদবনি। মসি তৌনবা হোৎনবদা অমগা অমগা য়েৎনবগী থবক অসি থাদোক্লগা লোল অসি চাউখৎহন্নবা হোৎনবা চংই। চহি লিশিং ২গী ইতিহাস লৈ হায়না লাওরবসু ঐখোয়গী মরক্তা অমগা অমগা মরৈ য়েৎনবগী থবক অসি থাদোক্লসি হায়খি।

# বাংলাদেশিনি চিংনবা মীওই অমা পুলিসতা শীন্নরক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ঃ

বাংলাদেশিনি চিংনবা নুপা অমা ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১০ রোম তারকপদা ১৭ এ আরনা য়াইঙংপোকপী পুলিস ষ্টেসনদা শীন্নরবদগী পুলিসনা মহাক্কী মথক্তা কেস অমা রেজিষ্টার তৌদুনা লৌখৎখ্রে।

লোন ফাউনদবদগী কনানো, কদাইদগীনো খঙবা ঙমদ্রিবা ওইরগসু ঙসি মহাকপু পুলিসনা সি জে এম, ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা পুথোক্লগা নুমিৎ মঙানিগী পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথখ্রে। মঙোন্দগী ইন্দিয়া অমসুং বাংলাদেশকী শেল খরা রিকোভর তৌবসু ঙমখি হায়রি।

# তমেংলোংগী অঙাং অমগী হকচাং ফংদ্রি

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ঃ

থা অসিগী ১১গী নোংঙাল্লমদাইদা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটরসদা থোকখিবা চীং নিংখায়বগী লাইবক থিবা থৌদোক্তা য়াওখিবা মীওই ৯গী মনুংদা অঙাং অমগী হকচাং ঙসিফাওবা থিবা ফংদ্রি।

প্রেসনা ফংবা পাউনা হায়, তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসকী মফম অহুমদা চীং নিংখায়বগী থৌদোক্তা য়ুম য়াওখিবদা থা ৯ খক্তা ঙায়রিবা অঙাং য়াওনা মীওই ৯ লৈখোম লৈনাংনা লোকতা চেন্থিবদগী মীওই ৮দি শিনা ফংবদগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপা লোয়খ্রবনি। অদুবু ন্যু কানন ৱার্দ নম্বর ৩দগী লাম্ফইলুং কামৈগী চহি ৫ খক্তা ঙায়রিবী মৈহোনলিয়ু কামৈগী হকচাং ঙসি ফাওবা থিবা ফংদনা লৈরি।

অমরোমদা লাইবক থিবা থৌদোক অসি থোকখিবা নুমিৎতা মণিপুর গভর্ণমেন্টগী সিএএফ এন্দ পিদি মিনিষ্টরনা লুচিংবা টিমনা থৌদোক থোকফমদা চংশিন্দুনা থৌদোকসিদা লৈখিদ্রবা মীওই অমমমদা লুপা লাক্ষ ৫। ৫ পিরগনি অমদি য়ুম-কৈ শাবদা মতেং পাংগনি হায়না লাওথোকখিবগা লোয়ননা অহানবগী ওইনা লুপা লাক্ষ অমমম লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংদা খুৎশিন্নখি। অদুবু ৱাংহৌরিবা লুপা লাক্ষ ৪।৪ শেনফম গভর্ণমেন্টনা ঙসিফাওবা পিবিদবনা য়ুম-কৈ শাবা ঙমদবদগী অৱাবা নংলবা ইমুংশিং হৌজিক অতোপ্পগী য়ুমদা চংজফম লৌদুনা লৈরি হায়রি।

**লমায় ১ গী মখা**

# মীয়াম হুপ্না শৌগৎখিবা জেনরেল...

উরিপোক কাংচুপ রোদতা অমদি সগোলবন্দ রোমদগী লাকখিবা মৈরাগী রেল্লি অনীনা পুন্সিন্নরগা খ্বায়রম্বন্দ বজার ফাওনা চৎনবা হোৎনরকপদা খ্বায় ব্রিজ অমদি ফ্লাই ওভর ব্রিজ মখাদা পুলিসনা থৎপগা লোয়ননা হনখিনবা হায়খি। অদুবু রেল্লিগী মীয়াম্না পুলিসশিং অদু নমখায়দুনা চৎনবা হোৎনরকপগী পুলিসনা টিয়ার গ্যাস অমদি মোব বোম কয়া কাপথোরকখি। মদুদা রেল্লিদা শরুক য়ারকখিবা নুপী ৩ রোম অশোক অপন নংখি।

ইন্দো বর্মা রোদতা অৱাং পাংনা লাকখিবা মৈরাগী রেল্লি শিংজমৈ ময়েংবম লৈকাই য়ৌরকপদা পুলিসনা থৎপদগী নাকল অনীগী মরক্তা মুক্নরকপদগী পুলিসনা টিয়ার গ্যাস অমদি মোব বোম কয়া কাপ্তুনা তানখায়খি। রেল্লি লাকখিবা মীয়াম্না পুলিস তম্না নুং লংঙকপা অমদি নাওরি কাপশিল্লকপগী থবক চত্থরকখি। অদুবু পুলিসনা মীয়ামদু কাঞ্চিপুর য়ৌনা তানখায়খি। মদুদা মীওই খরা অশোক অপন নংখি।

খুরাইরোমদগী লাকখিবা মৈরাগী রেল্লি লম্লোংদা পুলিসনা থৎপদগী ইরাং থোকখি।

# এম্বুশতা এআর পার্সোনেল...

মদুদা এআরগী মায়কৈদা উত্তম সিংহ কৌবা পার্সোনেল অমা ওইথংবা পুক, খূৎ অনীমক অমসুং খোঙদা শোকখি। অদুবু মহাক জৌপিদা অহানবা লায়েং পীরবা মতুংদা অয়ুক পুং ৯.৪০ রোম তারকপদা লৈমখোঙদা লৈবা ১৮৩-মিলিটরি হোস্পিটালদা হেলিকোপ্টরনা পুদুনা মখা তানা লায়েংবদগী হৌজিক খুদোংথীবগী ৱাংমদা লৈরে হায়রি।

থৌদোক থোকফমদগী এআরনা কাপথোকখ্রবা লেঠোদকী কেস অহুম অমসুং এম-১৬ অমদি একে রাইফলসকী এম্পটি কেসশিং রিকোভর তৌখিবগা লোয়ননা ঈ তারম্বা মফম অনীসু থেংনখি হায়রি।

পনবা য়াবদি থাসিগী ৯দসু লালহৌলূপ অসিনা আইঈদি পোকখায়হন্দুনা কামজোংদা চত্থরকখিবা এম্বুশতা এআরগী পার্সোনেল অমা শিরগা অহুম্না শোকখিবনি।

# লাইসেন্স পীদুনা য়ু শুংহনবা...

তামাংগী অকোইবদা মৈরা খোঙচৎ চৎখি। লোয়ননা সরকারগী ফিরেপকী মায়োক্তা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হৈরোক কেন্দ্রগী মনুং চনবা হৈরোক পার্ট ৩ চম্প্রাথোংদগী হৌরগা হৈরোক পার্ট ১ অমসুং ২ ফাওদুনা মৈরাগী খোঙচৎ চৎখি। খোঙচৎ অদুদা সরকারগী থৌশিলবু য়ানিংদবগী খোল্লাউ কয়া লাউখি।

কাদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কমিতিনা শীন্দুনা হৈরোক লম মরি ফাঙবদগী হৌরগা তোঙান-তোঙানবা মফম ফাওদুনা মৈরাগী খোঙচৎ অমসু চৎখি।

মণিপুর লিকর প্রোহিব্যুসন এক্ট শেমদোক্নবা বিল পুথোক্তুনা পাস তৌবা য়ারোই হায়বগী অকনবা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

কাদা হেদ ক্বাটরগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমারনা ফোঙদোরকখিবদি ষ্টেট অসিদা চৎনবী থৌদোক ৱাথোক কয়াদা য়ু য়াওদবা য়াদবা মচল অমা ওইনা লৌনরে। য়ু শীজিন্নরগা মীহাৎ মীপুন, খৎন-চৈনবা, নুপী অঙাংদা ওৎ নৈবা, ইকায় খুম্নবা মাংহনবীবা, লম্বীগী খুদোংথিবা কয়া থোকহন্দুনা মহৌশাগী পুন্সিদা অচৌবা শাফু অমা পীরি হায়নসু ফোঙদোকখি। য়ু লাইসেন্স পীদুনা শুংহনবা শুকয়া য়ারোই, সরকারগী খোঙফম হন্দোক্কদবনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

# অকনবা ঙাকশেলগী থৌরাংগা...

মসিগা লোয়ননা হাউসকী লুচিংবনা চয়োল অদুদা চত্থগদবা ব্যুজিনেস হাউসতা তেবল তৌগনি। হয়েং অহৌবা নুমিত্তা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী দি মণিপুর পিপল প্রোটেক্সন বিল, ২০১৮, দি মণিপুর ইন্টরনেস্নেল য়ুনিভর্সিটি বিল ২০১৮ অমসুং দি মণিপুর প্রোহিবিসন ওফ লিকর (এমেন্দমেন্ট) বিল,২০১৮ হাউসতা পুথোক্লবা য়াই।

চত্থগদৌরিবা মীফম অসি ষ্টেট অসিদা হৌজিক তোঙান তোঙানবা ইশ্যু কয়াগা মরী লৈননা তংদু লৈতাদবা ফিভম অমা মায়োক্নরিবা অসি য়েংলগা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী অকোয়বদা সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেল লৌখৎপা হৌখ্রে।

মীখল চত্থরিঙৈদা হৌজিক লৈরিবা ইশ্যুশিং মপুং ওইনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সি লৌথোক্লবা চঙশিল্লিবা খোঙজং, ঙমখৈগী ৱাথোক, ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট, সিতিজেনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল,২০১৬ নচিংবগী অকনবা ইশ্যু লৈবা অসি য়েংলগা মীয়াম্না এসেমব্লিদা থোমজিল্লকপা য়াবগী চিংনবা লৈবনা পামদবা থৌদোক থোকপা থিংনবগীদমক চেকশিন থৌরাং লৌখৎপনি হায়রি।

# নোঙাল্লৈমদা পিঐচ দি পীখ্রে

মহাক্না নাগালেন্দ য়ুনিভর্সিটিগী এসোসিয়েট প্রোফেসর ডা. টালিজুংলা অমসুং ইন্সটিট্যুট ওফ বাইও রিছোর্সেস এন্দ সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট (আই বি এস দি) ইম্ফালগী সাইন্টিস ডা. সি ঐচ ব্রজাকিশ্বর সিংহগী কো গাইদসিপ মখাদা রিছার্স ৱার্ক মপুং ফানা তৌরকখিবনি।

নোঙাল্লৈমা, রাজেন খুমুকচম অমদি সাপম নিঙোল ইন্দিরা দেবীগী অমত্তা য়াওজবী মচানুপীনি। মহাক্না হৌজিক ফাওবদা ইন্টর্নেসনেল জর্নেলদা রিছার্স আর্টিকল ১৬ অমসুং নেসনেল পেপরদা আর্টিকল ৪ ফোঙখ্রে। অসিদসু নত্তনা স্প্রিঙ্গর পাব্লিকেসনগী লাইরিক চেপ্টর অনীসু ফোঙখ্রে, ইলসেভিয়র, টাইলোর অমসুং ফ্রান্সিস গ্রুপকী জর্নেল খরদা রিভ্যুয়র ওইরি। দি মিয়ুজগীসু জেইন্ট এদিডরনি। মহাক ইন্টর্নেসনেল কনফরেন্স কয়াদা কেস প্রাইজ অমসুং বেষ্ট প্রজেন্টেসন প্রাইজসু ফঙখ্রে। কোরিয়ান গভর্ণমেন্ট স্কোলার্সিপ প্রোগ্রাম ২০১৩গী নোমিনি ওইখিবতা নত্তনা টান জিয়ু হো ফেলোসিপ, সিঙ্গাপুর ২০১৮সু ফঙখ্রে। মহাক্না পি ঐচ দি ফঙলকপদা রিন্দা লাইব্রেরি এন্দ প্রিজার্বেসন ফাউন্দেসন মণিপুরনা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

# ভি দি এফকী খূৎশুমল হেনগৎনবা খোঙজং চঙশিল্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ঃ

ভিল্লেজ দিফেন্স ফোর্স (ভি দি এফ)শিংনা তলব হেনগৎতবগী মায়োক্তা চঙশিনখিবা সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক ঙসিগা থানা নুমিৎ ৯নি শুখিবগা লোয়ননা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা মণিপুর বিধান সভাগী নোংজু মীফম অসিদা ভি দি এফ পার্সোনেলশিংগী খূৎশুমল অসি মতমগা চুন্নবা মওংদা হেনগৎনবগী অয়াবা পীবিগদবনি হায়না ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট, ভি দি এফ ৱেলফিয়র এসোসিয়েসননা শীন্দুনা পিশুমথোং কম্যুনিতি হোল (ৱাই এল এ) ক্লবতা সিট ইন প্রোটেষ্ট ফমখ্রে।

ঙসি ফমখিবা প্রোটেষ্ট অদুগা মরী লৈননা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফিয়র এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এম দি রিয়াজ খাননা পাউমীশিংদা হায়, চৎলিবা থা অসিগী ১১দগী মণিপুরদা লৈরিবা ভি দি এফ পার্সোনেলশিংনা খূৎলায় থাদোক্তুনা, য়ুনিফোর্ম শেৎতনা সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক তৌদুনা দ্যুতি তৌদবগী খোঙজং ঙসিগা থানা নুমিৎ ৭নি শুরক্লে। মুসুনা কৌখিবা পুং ৪৮গী জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌরবসু তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা নোংম-নোংমগী খাইদোক্তুনা লেপ্তুনা চঙশিল্লকপা খোঙজং অমা ওইবনা ঙসিসু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মফম অসিদা ফম্বনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়, সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক অসি থা অসিগী ২৫ ফাওবা লেপ্তুনা চঙশিনগনি। মসিগী মতুং তাবা ফাওবা ষ্টেট সরকারনা চপ চাবা পাউখুম অমত্তা পীরক্ত্রবদি মখা তানা মখল কয়াগী অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শাবসু লোইরে হায়না ফোঙদোকখি।

# কাউন্সিলগী চয়েৎনবা চয়োল অমগী মনুংদা লোইশিনগদবনি ঃ মাওইষ্ট

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ঃ

মণিপুরদা অনৌবা লৈঙাক লাকপদগী এদুকেসন লোইশঙসিদ খম থেংনা পুমাং মাঙলে হায়না মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনা ফোঙদোরক্লি।

লূপ অসি ষ্টেদিং কমিতিগী কোওর্দিনেটর কিয়োংহন মঙাংনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, প্রাইমারি স্কুলদগী হৌরগা য়ুনিভর্সিটি ফাওবা, বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুরদগী হৌরগা এদুকেসন (য়ু) ফাওবদা ৱাথোক্না পীক থল্লে। ফিভম অসিদা মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈশিনবা হায়বসি মীয়াম্না অচুম্বনি হায়না খল্লোই। ৱাথোকশিং অসি অমমমতা ওইনা ৱাখৈনবা মথৌ তারক্লি। বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুর, বোসেমগী ৱাথোক অসিদা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মহৈরোই লূপ ময়াম্না মীৎয়েং চঙদুনা থিগৎলক্লিবসি লূপ অসিনা তরাম্নাওক্লি। বোসেমদা লূপ ময়াম্না থিগৎলবা অসিদা লূপ অসিনা খূৎ থিংজিল্লোই মরম অদুনা লূপ অসিনা কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুর, কোসেমগী ৱাথোকশিং অসিদা অহানবা ওইনা ৱাখৈবা হৌরগনি। কোসেম অসি শেঞ্জা থুমজানা চয়োম শারবা মফম অমা ওইরে। কোসেমগী চেয়ারমেন অমদি সেক্রেটরী অনীনা লোইশঙ অসি শেঞ্জা-থুমজাগী লুকমাই ওন্থোক্তুনা থম্লে। থৌওংশিং অসিনা মণিপুরগী ইগজামিনেসনগী ক্রেদিবিলিটি অদু খম থেংনা লৈখাতহল্লে। নাকল অমরোমদা কোসেমদা থোক্লিবা ৱাথোকশিং অসি এদুকেসন মিনিষ্টরনা মতম চানা ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনবগী মহুৎতা হেন্না হেন্না ৱাথোক চাওথোকহল্লে হায়না ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মতাংদা থোক্লিবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা লূপ অসিনা করম্বা ৱারেপ লৌগদগে হায়বসিসু অথুবা মতমদা খন্নদুনা মহৈরোই খুন্নাইগী য়াইফগদবা মীৎয়েংদা লূপ অসিনা লৌগদবা থৌদাং অদু লৌনবা শেম শারগনি। হৌজিক পাল্লিবা মণিপুর লৈঙাক্না ঙরাংগী লৈঙাক্তা খুদোম্নী থিন্দুনা লৈবগী মহুৎতা ঙসিগী লৈঙাক্না তৌফম থোকপশিং অদু ময়েক শেংনা মীয়ামদা খঙহনবা মতম য়ৌরে। এয়ারপোর্টকী দ্রগ ফাবগী ৱাথোক, লোক্তাক মল্টি মিল্লিয়ন স্কাম, ফেক এনকান্টরগী ৱাথোক ময়ামশিং অসিদা ঙসিগী লৈঙাক্না করিসু নাচুংদনা লৈথোক্লগা গো টু ভিল্লেজ, গো টু হিলস হায়দুনা মীয়ামগী মীৎতা উৎ চাইদুনা লৈরগা ঙরাংগী লৈঙাক খক্তবু হুন্দুনা লৈরে। ঙরাংগী লৈঙাক্তু ফত্তে হায়বসি মীয়ামদা অমুক নৌহৌননা পল্লুদ্রগসু মীয়াম্না হেন্না খঙলবা ৱাফমনি।

মথং মথং...

**লমায় ১ গী মখা**

# ভারাগী কা অমদা পিঐচসি চলাইবগী মায়োক্তা...

অদুগা পিঐচসি অসি শাবগী থবক্না ৱার্ক ওর্ডরসি পীবা নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা হৌবগা লোয়ননা মসিবু শাবগী থবক্না থা ৬কী মনুংদা লোয়শিন্নবা খঙহনখি হায়রি।

অদুবু লায়েংশঙ অসি ঙসি চহী ৭ হেল্লক্লবা ফাউবদা শাবা লোয়শিন্দবগী মথক্তা হৌজিক পিঐচসি অসি লন্নাই মীওই অমগী য়ুমগী কা অমা ভরাদা ৱায়রগা চলাইদুনা লৈরে হায়বসিনি।

লোয়ননা কা অমখক্তঃদা চলাইবনা লায়েংশঙ অসি পুং ২৪ চুপ্পা মথৌ তৌদ্রে। মসিগী নুপা অমসুং নুপীগী তোঙানবা ৱার্ডশিং লৈত্রে। মসিগী মথক্তা লেবর রুম লৈতে, এম্বুলেন্সসু লৈতবগী মথক্তা মেডিকেল ওফিসর, নর্স অমদি ষ্টাফশিংগী রেসিদেন্সিয়েল ফেসিলিটিনচিংবসু অমত্তা লৈত্রে হায়রি।

হৌজিক ওইরিবা পিঐচসি অসিগী ফিভম অসি ইন্দিয়ন পব্লিক হেল্থ ষ্টেন্দর্দস (আইপিঐচএস)না পীবা গাইদ লাইনশিংগী মায়োক্তনি হায়নসু কোর্টসিদা ৱাকৎলকপনি।

মরম পূম্নমকশিং অসিদগী জুলাই ২৮,২০১৬তা মতমদুগী মণিপুর গভর্ণমেন্টকী হেল্থ মিনিষ্টরদা পিঐচসি অসি শাবগী থবক লোইশিনবীনবা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে। ওক্টোবর ১০,২০১৭তনা খোংদৈ খুলগী খুঞ্জাশিংনা চীফ মিনিষ্টরগা উন্নদুনা অইবা চেরোল অমা অমুক্কসু পীশিনবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা শাবা লোইশিনবীনবসু হায়জখ্রে হায়রি।

অদুবু ঙসি ফাউবদা লোইশিনবীদবগী মায়োক্তঃ পিআইএল অসি হায়কোর্টসিদা ফাইল তৌরকপনি হায়রি।

কোর্টনসু পিটিশন অসি এডমিট তৌখিবগা লোয়ননা থাসিগী ১৬তা কোর্টসিগী দিভিজন বেঞ্চতা লিষ্ট তৌদুনা মসিগী মতাংদা খন্নখ্রে। কোর্টনা পিটিশ্নরগী মায়কৈদা লেপ্লিবা এডভোকেট রাকেশ মৈহৌবমগী ৱারোলশিং তারবা মতুংদা হান্নদগী কোর্টসিদা অনা-লায়েংশঙশিংগী মায়োক্তা কেসশিং পন্দুনা লৈরকপনা খোংদৈ পিঐচসি অসিগী মতাংসিসু হান্নগী ময়ামদুগা পুন্না চত্থননবা পাউতাক পীখি।

# মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীফমগী মতম...

লমদম অসিগী য়াম্না মরুওইরিবা য়েলহৌমী কন্নবা বীল য়াওনা ইশ্যু কয়া পুথোক্কদৌরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীফম নুমিৎ নীনি খক পাঙথোক্কনি হায়বসি য়াম্না লাইবক থীবনি। মসি সিপিআইনা য়াবা ঙম্লোই। ভারতকী পার্লিয়ামেন্টকী দাইরেক্টিভকী মতুংইন্না ষ্টেট খুদিমক্কী ওইনা চহী অমদা এসেমব্লি সেসন অসি য়ামদ্রবদা নুমৎ ৫০নি ওইগদবনি হায়না লৈরিবনি। অদুবু মণিপুরগী ওইনদি চহী অমা অসিদা নুমিৎ ৩০নি ফাদ্রি। মণিপুরগী লৈঙাক্না এসেমব্লি মীফম নুমিৎ মশীং য়াম্না তৌবদা করিগী অদুক ইকায়রিবনো হায়রদুনা, হৌজিক অসুক লুরবা ইশ্যু কয়া অমা লৈনা-লৈনা নংহৌররোই মতাগুম য়ু শুংবা য়াহন্নবগী বীল পুথোক্লবা হোৎনরিবা অসি মুন্না খন্থবা মথৌ তাই হায়রদুনা এসেমব্লি মীফম অসি মতম শাংথগদবনি।

লোয়ননা মরুওইবা ওপোজিসন ওইরিবা কংগ্রেসনসু মসিগী মতাংদা প্রোটেষ্ট তৌফম থোকই অমদি এসেমব্লি সেসন য়াওফম থোক্তে হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, য়ুনিভর্সিটি অমগী ভাইস চান্সেল্লর ওইবগী তৌফম থোকপা মথৌ তৌরক্তবদগী মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেল্লর লৌথোক্লবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লবসু ভিসি অসিনা প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর লৈ হায়দুনা মঙক কন্দুনা লৈরি।

অমরোমদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনসু থৌশাদবগী মমি তারি। হৌজিক লুরবা মতম অসিদা রাজনিটিগী ৱাফম পুশিল্লক্কদবা নত্তে, পুন্না চৎমিন্নগদবনি। লোয়ননা এময়ুদা রাজনিটি পুশিল্লকপদি বিজেপিনা হৌবনি। ভিসিনা য়ুনিভর্সিটি অসিদা এবিভিপি অমদি বিজেপি শাগৎনবা লুপা লাক্ষ কয়া পীথৈ হায়না রিপোর্টতা লৈরবনি। ভিসি অসি ইনক্কারিগী মতমদা মপানদা থাদোক্ত্রবদি য়ান্নবা পুরক্কনি হায়বসি থাজদে। এময়ু কনবা হায়বসি মণিপুর কনবনি। ইশ্যু অসিনা মরম ওইরগা এময়ুগী মখাদা লৈরিবা মেডিকেল কলেজশিং য়াওনা কলেজ কয়া লেপ্তুনা লৈরবা ফাওবদা সরকারনা তুমিন্না লৈশিনবসি লাইবক থীবনি হায়না ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফম অদুদা সিপিআই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী ষ্টেট সেক্রেটরী এল সোতিনকুমারসু শরুক য়াখি।

# য়েলহৌমী কন্নবা বিলদা মীয়াম্না য়ানিংদবা ৱাফম...

মহাক্না মখা তানা হায়, হৌখিবা চহী ২০১৫দা মতমদুগী লৈঙাক্না য়েলহৌমী কন্নবা বিল অমা পাস তৌরুরবা মতুংদা চীং-তম অনীগী মীয়ামদা য়ানিংদবা ৱাফমশিং য়াওখিবদগী মায় পাকপা ঙমদনা লাকখিবনি। লূপ অসিনসু চীং-তমদা লৈরিবা মীয়ামদা থাজনদবা লৈরম্বা খুদিংমক পাউ ফাওদোক্নদুনা অমত্তা ওইবা লিচিংদা পূনশিন্নবা ঙম্লকখি।

চীং-তমদা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌমীশিংনা য়েলহৌমী কন্নবা অচেৎপা ফিরেপ অমদা পুন্না লৈপমিন্নরকখিবনি।

হৌজিক লৈঙাক্লিবা অসিদা নৌহৌননা য়েলহৌমী কন্নবা বিল পাস তৌননবা তক্লদুনা লাকখি। লৈঙাক অসিগা অহানবা ওইনা জুন ২০দা উন্নখি। মমাঙদা চীং-তমদা খুন্দামিন্নরিবা ষ্টেক হোল্ডরশিং য়াওনা জুন ২৮দা অমুক লৈঙাক্কা উন্নখি। নুমিৎ অদুদা লৈঙাক্না শেম-শারম্বা বিলশিং শরুক য়াখিবশিংদা খূৎশিন্নরকখি। হায়রিবা কোপী অদুগী মনুংদা য়াওরিবা মচাকশিং জুলাই ৩দা ইম্ফাল হোটেলদা পুন্না নৈনমিন্নখি। মখা তাবদসু জুলাই ১০দসু তম্ফা হোটেলদা অমুক হন্না খন্ন-নৈনমিন্নখি।

হায়রিবা বিল অদু মীয়াম্না খন্ন-নৈনবদা মীয়ামগী অয়াবা মওংদা পুথোরক্কনি হায়বগী থাজবদি লৈখি। মখা তানা সিএসওশিংনা থমখিবা ৱাফমশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা বিল অদু থন্নক্কদ্রা-থন্নক্লোইদ্রা হায়বগী চিংনবদি ফাওখি।

বিল অদু মীয়াম্না য়াবা ওইরমদ্রগদি জেসিআইএলপিএসনা মীয়ামগী থৌগাই ইন্দুনা চৎকনি। মীয়াম্না য়াদবা ৱাফম য়াওরন্নবদি লৈঙাক্না কুপ্না খন্নবীদুনা থবক লৌখৎপিয়ু হায়না হায়রি।

# আরপিএফ, এমএনপিএফনা ক্লেম তৌখ্রে

মসিনা তাকপদি মণিপুরদা লৈরিবা ঐখোয়গী মীয়ামবু মালেমসিদগী মাঙহনখ্রগে হায়বা ৱাখলনি হায়রি।

মতাংসিদা চীং অমসুং তমদা লৈরিবা মণিপুরগী মীয়ামদা থমনিংলিবা ৱাফমদি চহী লিশিং অনীগী মমাঙদগী লৈবাক শেমদুনা লৈঙাক্তুনা লাক্লবা মণিপুরবু চহী ৭১তা ঙাইরিবা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুশন্না মণিপুরগী লম মচেৎ-মচেৎ থুগাইনবা হোৎনরিবসি য়াগদৌরিব্রা, মশাগীতা খনবা পোলিটিসিয়ন, ফমজাও কোনবা মীওই খরনা ময়ামগীদি খঙদে, শেল খরা তানশিল্লগা ময়াং লৈবাক্তা মীনাই ওইরবসু ওইজরুরগে হায়দুনা মণিপুর য়োন্থোকপা অমদি মণিপুরগী মীয়াম মরক্তা শীংচেপ থাজিল্লম্বা ঐখোয়না তুমিন্না য়াগদ্রা হায়বসিনি।

লোয়ননা য়ুমদা ইমাংমক্তঃদা ইচিল-ইনাও হাৎলবা, ইমা-ইবেল, ইচে-ইচল শা-ঙাগুম ওৎপি- নৈবিরবা অদু ফাউবদা মপুগী য়াথং ইল্লিবনি হায়দুনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈগদৌরিব্রা হায়নসু চেরোল অসিদা হংলক্লি।

মপুগী য়াথং ঙাক্লিবনি হায়দুনা চাওথোক্তুনা ইশাগী ইমুং-মনুং মক্তদা ওক্তবা লিচৎ চৎকদৌরিব্রা অমসুং ঐদি অশোনবনি, মাদি অকনবনি, ঐখোয়নবু করি তৌগদৌরিবনো হায়দুনা তুমিন্না ফকচিন্দুনা লৈগদ্রা হায়নসু হংলি।

মরম অসিনা ঐখোয়না ঐখোয়গী অপুনবা শক্তম ঙাক্নবা চীংমী-তম্মীগী নুংশিনবা মরী কায়দনবা ইশানা ইরোমদোম লেপচবা মনিং-তম্বা মণিপুর অমা মথৌ তাই । মনিংতম্বা মণিপুর অমা পুরক্নবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈদি খূৎলাই পায়বা নীংতম ঈহৌ অসি খক্তনি হায়বগা লোয়ননা চঙশিল্লিবা মীয়ামগী নীংতম ঈহৌ অসিবু ইশা-ইশাগী থৌদাংনি খন্না মতেং পাংবিয়ু,য়াওবিয়ু অমসুং নীংতম্বা মণিপুর অমা পুরকমিন্নরসি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।